থৌনাওজম বিপিনগী পাঞ্জলনা এ টি কে মোহন বগানবু মায়থীবা পীদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

এ টি কে মোহন বগানগী মায়োক্তা চেম্পিয়ন ওইবগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী বিপিন

ফটোর্দা, মার্চ ১৩(এজেন্সী):

ঙসি মণিপুর মচা থৌনাওজম বিপিননা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জলনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু এ টি কে মোহন বগানগা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদু ২-১দা মায় পাকহন্দুনা কুমজা ২০২০-২১গী ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

গোৱাগী ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা এ টি কে মোহন বগাননা টাইটল দিফেন্দ তৌবগী থৌনাগা লোয়ননা শান্নরকখি। অমরোমদা, অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌরকপা মুম্বাই সিটি এফ সীসু মখোয়গী টিম অদুগী পাঙ্গল মপূং ফানা পুথোক্তুনা এ টি কে মোহন বগানগা লম্বা তৌনরকখি।

মেটচকী ঙল্লিঙৈদা এ টি কে মোহন বগাননা বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা ১৮শুবা মিনটতা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদু টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুকয়ারক্লিবা এ টি কে মোহন বগানগী ফিজি মচা রোই কৃষ্ণনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট দেবিদ ৱিলিয়মসনা চনবা ঙমখিবনি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংসু অথুবা মতমদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা থৌনা হাপচিন্নখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহমেদ জারোনা কাওরকপা বোল অদু থৌনাওজম বিপিন তম্না এইম তৌখিবনি। অদুবু মহাকপু মার্ক তৌরিবা এ টি কে মোহন বগানগী দিফেন্দর টিরিনা বোল অদু ঙাকথোক্লনবা চোংথোক্লগা হেদ তৌশিনবদা মায়কৈ ওন্ননা চৎখিবদগী মশাগী নেটতা চঙখিদুনা ইক্কেলাইজর অদু এ টি কে মোহন বগাননা মুম্বাই সিটি এফ সীদা খূদোল তমখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং ২শুবা হাফকী অয়াম্বা শরুক স্কোরবোর্দ অদু লেংখিদে। অদুবু ৯০শুবা মিনটতা বাথোলোমিয়ু ওগবেচেনা পীরকপা বোল অমদা থৌনাওজম বিপিননা পাঞ্জল চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদু ২-১দা থোইবা ঙমখি।

সাই উৎলৌনা ৱাই এ সী (বি)বু থোইদুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ য়ু-১৩ বোইজ টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

হুইদোন পোকপী তরাং অপানবা দিভলপমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা য়ুরেম্বম ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকপা হুইদোন পোকপী তরাং অপানবা ট্রোফি ২০২১ ফর্ষ্ট ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ য়ু-১৩ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সাই উৎলৌনা ৱাই এ সী (বি) য়ুরেম্বমবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা মান্নখি। পাঞ্জল চনবগী মশীংসু মান্নখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ৱাই এ সী (বি) রুনিনা চনখি। মদুগী মতুং সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ইক্কেলাইজর অদু জর্সি নম্বর ৪ রোহিটনা চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক ১-১দা মান্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ৱাই এ সী (বি) য়ুরেম্বমগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২ রোহিটনা ৩৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। সাই উৎলৌগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ এলেক্সনা মখোয়গী মথক্তা ৱাই সী বিগী মায়কৈদগী চনশিনখিবা অহেনবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ অদুদা পাঞ্জল ২-২ মান্নরবা মতুং সাইগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা কে ঐচ এলেক্সনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা ৩-২দা হেনখি। শান্নবগী লোইরমদাইদা সাই উৎলৌগী এস ঐচ রোজিৎনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ফাইনেল মেটচ অদু সাই উৎলৌনা ৪-২দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱাটর রিসোর্ছ, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চীফ গেষ্ট, কোন্থৌজম এ সীগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জননা প্রসিদেন্ট অমদি দিরেক্টর য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস টিফুলেন মৈতৈ এম সী এস অমসুং টি ঐচ রাসি লৈবা ট্রোফি দোন্নরনা গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌমরদুদা ৱাঙাঙলদুনা লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অপিকপা লমদম অমা ওইরবসু মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া লেপ্পা লৈতনা পুথোক্লি। ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা মালেমগী থাক্তা লমদম অসি শান্নরোয়শিংনা মশক তাক্লি।

মখা তানা লমদম অসিদগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং ওইনবগীদমক সেন্তরনা ষ্টেট অসিদা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লীংনবা অয়াবা পীরকখ্রবা মতুং শেম শানবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মসিদা মীয়াম্না অপনবা পীদনবা মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

লসালনা কে পি এফ সীবু ৩-২দা থোইখ্রে, য়ু এফ সীনা বি এফ এ ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা এল ইতোমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ২১শুবা মেটচতা লসালনা কে পি এফ সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অহানবা (লেট) থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ২৬শুবা মেটচতনা য়ু এফ সীনা বি এফ এবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু লসাল অমদি কে পি এফ সীনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা অহানবা হাফ অদু শান্নখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা লসালগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই সন্তোশনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা কে পি এফ সীগী এটেক অমদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৪ টি ঐচ ইন্দ্রমণিনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা টিম অনীমক ১-১দা মান্নরগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ কেপি এফ সীগী মায়কৈদগী ফংখিবা বোল অমা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৬ এল বিকেশনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লসালবু মখোয়না ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা শোথরবা লসালগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১২ ও রঞ্জননা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৫৭শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু ওইহনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মিনট ১গী মনুংদা লসালগী অথুবা এটেক অমদা জর্সি নম্বর ৯ ঐচ সনাতোম্বনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না কে পি এফ সীবু ৩-২দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা এম সী কেনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা সাই-এস টি সীনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা ২শুবদা লৈরি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা অহানবা লেট থোকচোম ইবোপিশক ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ওইনা য়ু এফ সী অমসুং বি এফ এ লম্বা তৌনখি। য়ু এফ সীনা হৌবদগী বোল পায়বা হেনখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ পি দোনিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী শান্নরকপদা বি এফ এনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী চথখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জর্সি নম্বর ১০ পি দোনিনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ১গা মেটচকী ২০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা মখোয়না বি এফ এবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী য়ু এফ সীনা বি এফ এবু ২-০দা থোইখি।

ৱাই সী সী আই সী (বি)গী টিম অনীমক মায় পাকখ্রে নুপামচাগীদা মৈরা অমসুং হোক্কী থৌবাল থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ্পা য়ূম্বু ওইদুনা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা য়ুম্লাম রাশমণি মেমোরিয়ল য়ু-১৫ বোইজ অমসুং য়ু-১৭ গর্লস ৭ এসাইদ কেশ প্রাইজ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই সী সী আই সী (বি)গী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম অনীমক মায় পাকপা ঙমখ্রে। নুপামচাগী অতোপ্পা মায় পাকখ্রবা টিমশিং অদুদি মৈরা অমসুং হোক্কী থৌবালনি।

পুল বিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচতা ৱাই সী সী আই সী (বি) অমসুং কে ঐচ এস সী (বি) লম্বা তৌনবদা ৱাই সী সী আই সী (বি)না পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী ৱাই রিশিনা ওন্না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং টিম অদুমক্কী কেপ্টেন বিদ্যাচরননা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা ৱাই সী সী আই সী (বি)গী দল্লিয়ু রোহিটনা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা কে ঐচ এস সী (বি)গী মায়কৈদগী চালাম্বা অমসুং থোইবনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ প্রিতমনা চনখি। মেটচকী ৪শুবা ক্বার্টরদা কে ঐচ এস সী (বি)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু ৱাই সী সী আই সী (বি)না ৫-৩দা থোইখি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী মেটচ অমদা হোক্কী থৌবালবু ৱাই সী সী আই সী (বি)না ৪-১দা থোইখি। ৱাই সী সী আই সী (বি)গী মায়কৈদগী কেপ্টেন রিনানা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা টিমমেট দেবিতা অমদি তানিশানা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। হোক্কী থৌবালগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এ মালেমঙানবীনা চনখিবনি।

নুপামচাগী পুল এগী মেটচ অমদা মৈরা অমসুং কে ঐচ এস সী লম্বা তৌনখি। অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা লম্বা মান্নখি। অদুবু মখা তারকপা ক্বার্টর ৩ অদুদা মৈরাগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখিবা মরম্না অহেনবা পাঞ্জল ৭ হাপচিনবা ঙমখি। অদুবু কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী অহানবা ক্বার্টরদা চনখিবা পাঞ্জল অদু নৎতনা মখা তানা অমফাওবা হাপ্পা ঙমখিদে। মৈরাগী মায়কৈদগী কেয়াইহেনবনা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। টিমমেট য়াইফবা অমসুং এন রোনিননা পাঞ্জল ২/২ চনখি। কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অমরজিৎনা চনখিবনি। মেটচ অদু লোইশিল্লকপদা মৈরানা কে ঐচ এস সীবু ৮-১দা থোইখি।

নুংথিলগী পুল বিগী মেটচ অমদা হোক্কী থৌবালনা এস ঈ ৱাই ওবু ৭-০দা থোইখি। হোক্কী থৌবালগী মায়কৈদগী রাকেশবাবুনা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা ইরাবত, অভিনাশ, অভিশেক অমসুং অনিশনা টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি । এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেটচ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা হাপ্পা ঙমখিদে।

শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম খূৎশিন্নখ্রে

য়াইরিপোক, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৯দা লৈবা সোসল ৱর্কর লোংজম ইবোতোম্বী অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংনা শান্নখোৎনববু পুক্লিং থৌগৎপা পামজবা অমদি শান্নরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্মশিং মতেং ওইনা খূৎশিন্নখ্রে।

সোসল ৱর্কর লোংজম ইবোতোম্বীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা য়াইরি এফ সী কেক্রুগী শান্নরোয়শিংনা শেৎ-লিৎকদবা ফুটবোলগী য়ুনিফোর্মশিং অদু কেক্রু য়াইরি ক্লবকী থৌ পুবশিংদা খূৎশিন্নখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেক্রু য়াইরি ক্লব অসি মসা অমা ওইনা য়াইরি এফ সীগী শান্নরোয়শিং অসি তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা লাকখিবনি। হৌজিক চথরিবা ভি সী পি সী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টতসু শরুক য়াদুনা ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লি। য়ুনিফোর্মদা নৎতনা য়াইরি এফ সীগী থা ৩গী কোচিং কেম্পতসু অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকখি হায়রি।

৬শুবা এ ইবোতোন মেমোরিয়ল য়ু-১৫ দিভিজন ফুটবোল হৌরগনি

বিষ্ণুপুর, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫দগী ৬শুবা এ ইবোতোন মেমোরিয়ল য়ু-১৫ দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূম্না টিম ৮না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনগদৌরি। টিমশিং অদুদি য়ু কে সী সী এল ওইনাম, লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্ট, আর এ এফ এ থিনুঙ্গৈ, আর এফ সী সী কৈনৌ, কে ৱাই ভি ও এফ সী ক্বাসিফাই, টি ৱাই দি এ (এ) তৌবুল, এন ৱাই সী ঙাইখোং খুল্লেন অমদি টি ৱাই দি এ (বি) তৌবুলনি। টুর্নামেন্ট অসি রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা টিমশিং অদুনা অমগা-অমগা লম্বা তৌনগদৌরি।

অহৈবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং টি ৱাই দি এ (বি) তৌবুল লম্বা তৌনগনি। নীনি শুবা নুমীৎতা লোক্তাক এফ সী লোক্তাক প্রোজেক্ট অমসুং এন ৱাই সী ঙাইখোং খুল্লেননা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০দা শান্নগদৌরি। শান্নফম ওইরিবা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা শান্নরোয়শিংনা পুং ১ রাৎলিঙৈদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯣꯟ
PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-P/6855/14-30 days alt

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মহিয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

পেট্রোল, দিজল অমদি গ্যাসকী মমল পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা খঙহেন হেনগৎলিবা অসি মতাং-মতম চাদে

হৌখিবা থা খরা অসিদা সেন্টর গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল, দীজল অমদি গ্যাসকী মমল খংহেন হেনগৎলক্লিবা অসি মতাং-মতম চাদে। হৌজিক পেট্রোলগী মমল লীটরদা লুপা ৯৫ পৈশা খরা য়ৌরে অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমলসু হান্নদগী হেনগৎলে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈতলায়রবা ইমুং মনুংশিংদদি অচৌবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎপীবগা পাংখক ওইরে। নোংমগী শু-নোল্লগা চাজবা লায়রবা মীওইশিংদি মকোক্তা খূৎ হাপ্পরে। অমরোমদা, কোভিদ-১৯দগী খরা শাফরকপদা ঙাইরি। মসিসু মপূং ফানা লায়না-লাইচৎ অসি ফবা হায়বদু ওইদ্রি। হৌখিবা চহী ২০২০কী মার্চ ২৪দগী অথিংবা কয়া থমদুনা লাকখিবনি। চাউরাক্লা অথিংবা অসি চহী অমরোম ওইখিবনা ঙসিসু লৈবাক মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমগী মমল হেনগৎপগী মথক্তা নোংমগী তঙায় ফদনা শীজিন্নরিবা পেট্রোল, দীজল অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎলকপনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল, দীজল অমদি গ্যাসকী মমল অসি অথুবদা হন্থনবা হোৎনবীয়ু হায়জরি।

❒ কেঐচ ইনাওচা, থৌবাল কিয়াম সিফাই

মণিপুরী লোল অমদি ময়েক চাওখৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্না অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই

মতম কয়াদগী মণিপুরী লোল অমদি ময়েক চাওখৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা দিমান্দ কয়া তান্দুনা লাকখিবগী মহৈ অমা ওইনা ঙসিদি স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা মীতৈ ময়েক তম্নরে। মসিগী মথক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুরগী এম পি (ইন্নর) অমদি রাজ্য সভাগী এম পিনা মণিপুরী ময়েকপু ইন্দিয়াগী করেন্সিদা হাপ্পবগীদমক পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবা ৱাফম তশেংনমক থাগৎনিংঙাইনি। অদুমকপু হৌজিক মণিপুরী লোল অমদি ময়েক্কী ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্কা লৌমিন্নগদবা থৌদাং য়াম্না চাওরি। মরমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মণিপুরী লোলবু শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হন্থবগা লোয়ননা মপান লমগী লোলশিংবুনা হেন্না পুক্লিং-হকচাং য়াওবগী মমি চাওনা তারি। কনাগুম্বা ইমুং খরদদি ইংলিশ অমদি হিন্দি লোলবু হেন্না পুক্লিং চঙবগী থৌওং কয়া থেংনরি। অমরোমদা, য়ুনেস্কোনা মালেমগী মাঙশিল্লক্লগনি হায়বা লোলশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোলসু অমনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কা মণিপুর লোলবু হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদগী মতৌ করম্না চাওখৎহনসিগে হায়বগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবা চঙলি।

❒ চোংথাম বিমোল মৈতৈ, লংথবাল কুঞ্জ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ꯑꯦꯁ ꯊ꯭ꯔꯤ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ
S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
EDUCATION WITH CARE
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
DON'T MISS
Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS
Class - Timing
Morning 6am - 9am
Evening 3pm - 7pm
HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM
HL-B/6801/20/2-21/3

ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
TOPPERS OF THE S.T.C IN HSLCE 2016 to 2020
2nd POSITION PATEL LAIRENJAM
11th POSITION DHANAPIYARI
NARESHKUMAR NAOEM
BIDYASAGAR
23rd POSITION HUIDROM HELEN
1st POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd POSITION HOLDER HSLC 2019 (BOSEM) SHOPHIYA ASEM
RAHUL NAOREM 3rd POSITION 2020
N.REONA 14th POSITION 2020
L.KANGLEINGANBA 17th POSITION 2020
BIDYA MAIBAM 18th POSITION 2020
Y.ANDYSON 21th POSITION 2020
TH. JEET SINGH 15th POSITION 2020
TAIBANGAMBA. L 16th POSITION 2020
ADMISSION OPEN
100% PASS
FOUNDATION COURSE & REVISION COURSE 2021
FOR CLASS X & XII (BOSEM & COHSEM)
(SCIENCE,ARTS,COMMERCE)
COMMENCES ON 18th FEBRUARY & 8th MARCH 2021
SUBJECTS OFFERED :-
Mathematics,Physics,Chemistry,Biology,M/M, English,H/Maths,H/Science,C/Sience,Accountancy, Business Studies,Economics,History,Sociology, Geography ,Political Science & Education.
Run by trained board & council of experience teachers
1. Speacial fee concession for former students.
2. Regular mock test with analysis.
3. Separate hostel for boys & girls.
4. Well structured study materials.
5. Available Van Service.
TEACHER WANTED
1. Accountancy.
2. Business Studies.
3. Education.
4. Economics Experience 5 years & above
CLASS TIMING (Morning & Evening)
Contact no: 8730999192
HL-P/8727/31/1-5/4 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com